**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 16-09-2025)**

**বিরেন (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপশিংগী মরক্তা হেন্না অফবা মরী অমসুং নুংশি চান্নবা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফালদা মাও কৈথেল হাংদোকখ্রবা মতুং ঙসি লিয়াংমাই ফুরুপশিংগী ওইবা কৈথেল অমা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি ইম্ফালগী তেরা কৈথেলদা হাংদোকখ্রে।

ঙসি হাংদোক্লিবা কৈথেল অসিনা মফম অসিদা লিয়াংমৈ ফুরুপনা পুথোকপা মনা-মশিং য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং মীয়ামদা ফংহল্লি। লিয়াংমৈ ইম্ফাল মার্কেট কমিতিনা শিনদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী আইদিয়েল ক্লব-শগোলবন্দ তেরা কৈথেলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়-ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অসি মনিপুরগী অপুনবগী শক্তম শাগৎপা অমদি লৈহন্নবগী য়ামা মরুওইবা মফম ওইরি। কৈথেল অসিদা পোৎফম ফল্লিবশিংনা মীকৌ মীরম য়াওনা ৱা ঙাংবদা ফজবা ৱাহৈ শিজিন্নবা চেকশিন্নবগী হৈ-শিংনা ৱা ঙাংবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিনা কৈথেল অসিদা পুল্লিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী মরক্তা হেন্না নংশি চান্নবা অমদি অফবা মরী শাগৎপা ঙমগনি।

লিয়াংমাই ফুরুপ অসি মনিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নবা থাদোকবা য়াদ্রবা ফুরুপ অমনি হায়রদুনা শ্রী বিরেননা মখা তানা হায়-খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল য়াওনা অতৈ কৈথেলশিংদা পোৎফম ফল্লিবীশিং য়াওনা ঙসিগী মীরোলনা মনিপুরগী পুৱারী খঙবা অমসুং নীংশিংবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিনা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপশিংগী মরক্তা হেন্না নকশিলহন্নবা অমদি অফবা মরী শাগৎপদা অচৌবা মতেং ওইরগনি।

থৌরমদুদা হান্নগী মন্ত্রি-অৱাংবৌ ন্যুমাই, এম.এল.এ-সপাম কুঞ্জকেশ্বর, লিয়াংমাই নাগা কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট-আর.মচুনদৌবৌ অমদি লিয়াংমাই ইম্ফাল মর্কেট কমিতিগী চেয়ারমেন-কে.ঐচ. চিংখৈ লুৱাংচা শরুক য়াখি।

**ছুটি (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা হৌখিবা নোংম নিনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবা অমদি ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা য়ুনিভর্সিতি, কোলেজ অমসুং সরকারগী, এদেদ অমসুং নন-এদেদ লোয়ননা লন্নাইগী স্কুল খুদিংমক হয়েং ছুটি লাউথোকখ্রে।

রাজ্য সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইদ্যুকেসন(এস) না থোকপা চেরোল অমনা হায়-নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইরগা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা চেল্লিবা তুরেলশিংগী ঈমাই ৱাংখৎলকপা অমদি ঈশিং ঈচাউগী ওইরক্লিবা ফিভম লোয়ননা চীংগী জিলাশিংদা চীং নিংখাইবনচিংবা থৌদোক কয়া থোরকপা য়াবনা মরম ওইরগা হয়েং ছুটি লাউথোকখিবনি।

**ওজোন(এল)ঃ** মালেমগী মফম শিনবা থুংনা ঙসি ৱার্ল্ড ওজোন ডেগী থৌরম পাঙথোক্লি।

মণিপুরদসু থৌরম অসি দাইরেক্তোরেট ওফ এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ অমদি মণিপুর পোল্যুসন কন্ত্রোল বোর্ডকা খূৎশমনা ঙসি পোরোম্পাৎতা লৈবা এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখি। য়ুনাইতেদ নেসন্সনা পীবা হন্দক চহীগী হীরমা ‘ফ্রোম সাইন্স টু গ্লোবেল এক্সন’ হায়বসিনি।

থৌরম অদুদা মণিপুর পোল্যুসন কন্ত্রোল বোর্ডকী এক্সপর্ট, হেলথ সর্ভিসেসকী এক্সপর্ট, এনভাইরনমেন্তেল সাইন্স (দি.এম য়ুনিভর্সিতি), দাইরেক্তোরেট ওফ এনভাইরনমেন্ট এন্দ সাইন্সকী মীহুৎশিং, এনভাইরনমেন্তেলিষ্ট অমদি পাউমীশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরম অসিদা ক্লাইমেট চেঞ্জ অমদি ইয়ার পোলুসন, ওজোন দিপ্লেটিং সবসটেন্সেস অমদি রোল ওফ সাইন্টিফিক কম্মুনিতি হায়বসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা অখঙ-অহৈশিং ৰা ঙাংখি।

চান্দেল জিলাদসু পালন থৌরম অসি জিলা অদুগী মিণি সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা মল্টি পরপজ হোলদা পাঙথোকখি। জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-এল. নন্দকুমারনা অথোইবা মীথুং ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ফ্রোম সাইন্স টু গ্লোবেল এক্সন হায়বা হীরমদা অখঙ অহৈশিংনা ৰা ঙাংখি।

থৌরম অদুদা ৰা ঙাংবদা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা হায়-ওজোন লয়ারবু কন্দুনা থমগে হায়রবদি পাক্তকনা উ-ৰা থাবা তঙাইফদে।

**ডে (এল)ঃ** ৬৮ শুবা ৰাকরস এদুকেসন ডেগী থৌরম লেবর অমসুং ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রালয়গী মখাদা ইম্ফালগী সেক্যুওর ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা রিজনেল দাইরেক্তোরেটদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা দেটোপান থেংগাদি নেসনেল বোর্ড ফোর ৰাকরস এদুকেসন এন্দ দিবলপমেন্টকী হান্নগী রিজনেল দাইরেক্তর চোংথাম কুঞ্জাকেশ্বরনা হায়-কর্ম্মচারি অমসুং ৰাকরশিংনা তোঙান তোঙানবা লমদা থবক তৌবদা মশা মশাগী ওইবা থৌদাংশিং খঙবা তঙাইফদে। ইং ১৯৫৬ কী সেপ্তেম্বর থাদগী ৰাকরস এদুকেসন ডেগী থৌরম অসি পাঙথোকপা হৌখি। মসিদা ৰাকরশিংনা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা খঙনিংবশিং মরী লৈনবা বিভাগশিংগা পুন্না থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা ৰাকরশিংদা খঙহনবসু লৈখ্রে। মখা তানসু অসিগুম্বা থৌরম কয়া লেপ্পা লৈতনা পাঙথোকখিগনি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** সেভা সপতহাগী শরুক অমা ওইনা অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুনা তাঙ্কক নাইনা অখন্ননা শন্দোক্কদবা থৌরমগী অনিশুবা শরুক হয়েং অয়ুক পুং ৭ মিনিট ৪০ দা অকাশবানি ইম্ফালদা শন্দোকপা হৌরগনি।

মিনিট ২০ শন্দোক্কদবা থোরম অসিদা **‘ড্রাইভিং গ্রোথ থ্রু বোল্ট**

**ইকোনোমিক রিফোমস’** হায়বসিদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ইকোনোমিক্স দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসার-চিংলেন মৈস্নামগা ঐখোয়গী মীহুৎ ক্ষেত্রিময়ুম প্রেমচান্দগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবা তাহঞ্জগনি।

**মোরোক (এল)ঃ** ১৪ শুবা সিরারাখোং হাথৈ চিল্লি ফেষ্টিবেল ঙসি হৌদোকখ্রে।

ফেষ্টিবেল অদু রাজ্যগী হোর্টিকলচর অমসুং সেরিকলচরগী কম্মিস্নার-টি. পানমৈনা উখ্রুল জিলাগী সিরারাখোং ভিলেজতা হৌদোকখি। মোরোক মখল অসি তোপ তোপ্পা মনম অমসুং মহাও লৈজবনা মরম ওইদুনা লমদম অদুগী লৌমীশিং, কম্যুনিতি লিদরশিং অমদি ফেষ্টিবেল অদুদা শরুক য়াবা লাকখিবশিংনা হেন্না মোরোক্কী পোৎথোক পুথোকহন্নিংবগী অপাম্বা ফোংদোক খি।

ফেষ্টিবেল অসি রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হৌদোকবা শেম শারম্বনি অদুবু নোং চীংগী ফিভম ফত্তবনা লাকপা ঙমখিদবনি হায়রি। ফেষ্টিবেল অদু হৌদোক্লদুনা কম্মিস্নার-টি. পানমৈনা হায়-লমদম অদুগী লৌমীশিংনা কৎথোকপগা লোয়ননা মগুন লৈরবা হাথৈ মোরোক অসিবু য়োকখৎতুনা থম্বা অমসুং লমদম অদুগী লৌউ শিংউগী ফজবা শক্তম অমা ওইহনবগীদমক থাগৎখি। মসিবু হেন্না পুথোকবা মহৌশাগী ওইবা লৌউ-পথাপ অমদি অনৌবা লৌউ পথাপ শিজিন্ননবা নহাশিংদা আপিল তৌখি।

সিরারাখোংগী হাথৈ মোরোক অসিনা লমদম অদুগী লৌউ শিংউ অমদি লমদম অদুগী কালা সংস্কৃতিগী ফজবা মশক অদু মীয়ামদা উৎথোকপদা চাউনা মতেং পাংলি। এক পের মা কে নাম হায়বা ৱাখল্লোনগী মখাদা উ থাবা, ফোটো মেলা পাঙথোকপা, জগোই ঈশৈ অমসুং নাৎকী থৌরমনা ফেষ্টিবেল অদু হৌদোকপগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

**ঈশিং (এল)ঃ** মণিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা পাক শন্না নোং চুখিবদগী মফম খরদা ঈচাউগী অৱাবা ফিভম মায়োকরি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লমলাই বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা লৌকোল কয়া মখা তানা ঈশিং থুমজিল্লকপদগী মায়কৈ অদোমগী মীয়াম নীংথিনা লৌ লোকপা ঙমলরোইদ্রা হায়বগী মীপায়বা পোকরে। ফিভম অসিগী য়েংলগা মনিপুর সরকারগী মরী লৈনবা বিভাগশিংগী মায়কৈদগী মীৎয়েং চংবীনবসু খুঞ্জাশিংনা আপিল তৌনরক্লি।

থৌবাল তুরেলগী ঈশিং ঈমায় হৌজিমক্কী ওইনা খরা হন্থরে। তুরেল অসিগী নাক য়েৎতা লৈবা মফমশিংদা ঈশিং পাথদুনা চেল্লন্বা অদু খরা শাফরে। অদুম্মকপু হান্না ঈশিং থুমজিনখিবা য়ুমশিংগী ওইনদি হৌজিকসু চংবা য়াদনা লৈবা কয়ামরুম য়াওরি। ঈশিং থুমজিনখিবদগী লৈফম লৈত্রবা ইমুংশিংগী মীওই কয়া খুদক্কী ওইনা লৈবা য়াননবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল অমসুং লৈকাইগী ক্লবশিংগা খুৎশমরগা রিরিফ কেম্প কয়া হাংদোক্লে। চান-থকবা পোৎলমশিং অমদি অতৈ তঙাইফদবা পোৎলমশিং পীবা হৌরে।

ককচিং জিলাগী মনুং চন্না লৈবা সেকমাইজিনদগী আরোং নোংমাইখোঙ ফাওবগী শরুক্তা ইম্ফাল তুরেলদগী ঈশিং পাথোরক্তুনা মফম কয়া ঈচাওগী অৱাবা মায়োকরে। মখা তানা ঈচাওগী ফিভম থেংনদনবা মফম অদুগী মীয়ামশিংনা তুরেল তোর্বানশিংদা লৈবাক থোনজিনদুনা ঈশিং থিংবগী থবক চত্থরি।

রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মরুওইবা তম্পাক্কী জিলাশিংদা চেল্লিবা তুরেলগী ঈশিং ঈমায়গী ফিভমশিং খুদোংথিনিংঙাই ওইরি। থৌবাল তুরেলগী ওইনা ঙসি নংথিল পুং অনি ফাওবদা তুরেলগী ইমায় পাথোক্তুনা চেল্লি অদুগা ইম্ফাল, ইরিল, নম্বুল তুরেলশিংগী ইমায় ঈচাওগী লৈরিবা লেবেলদগী হেন্দোক া চেল্লি। ইথাই বেরেজগী গেট পুমমক হাংদোক্তুনা তুরেলগী ইমায় হন্থহন্নবা হোৎনরি। ইম্ফাল বেরেজগী ওইনা গেট মঙাগী মনংদা মরি হাংদোক্লি। থৌবাল

বেরেজগী ওইনসু গেট অনি হাংদোক্কুনা তম্পাক্কী জিলাশিংদা ঈশিং ঈচাও হন্থনবা সরকারনা হোৎনরি।

**উখ্রুল (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং চুবনা মরম ওইদুনা নেসনেল হায়ৱে ২০২ গী তোঙান তোঙানবা মফম ২২ দা চীং লৈবাক কিন্থবগী থৌদোকশিং থোকখি।

উখ্রুলগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না-চীং নিংখায়খিবা মফম ২২ গী মনুংদা ২০ শেমজিনবা লোয়রে। হৌজিক মফম অনি শেমজিনবগী থবক চথরি। মফম অনি অদু ফিভম থিনা শোকপনা মরম ওইদুনা শেমজিনবগী থবক লোয়দ্রিবা ফাওবা অতোপ্পা লম্বীদা থৈদুনা চৎহল্লি। শোকহনখ্রবা লম্বীশিং অদুগী মনুংদা-পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট অমদি পি.এম.জি.এস.ৱাইগী লম্বী কয়া য়াওরি।

**অমজ (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা লৈরিবা ই-পাউগী লমদা থবক তৌরিবশিংগীদমক য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎনবা লৈরিবা ওল মনিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ) গী ৫১ শুবা ফাউন্দেসন ডেগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মনিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

অমজনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হান্নগী মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়-খুন্নাই অমদা গনতন্ত্রগী মরিশুবা য়ুম্বীনি হায়না খঙনরিবা ই-পাউগী লমদা থবক তৌরিবা পাউমীশিংগী থৌদাং য়ামা চাউই। পাউমীশিংনা দায়ত্ব খঙনা মীয়ামদা অচুম্বা পাউ পীদুনা মীয়ামগী মীৎ-নাকোং ওইহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

থৌরম অদুদা এম.এল.এ. খুমুকচম জয়কিষন, অমজগী প্রসিদেন্ট-অসেম ভক্তা, এদিটরস গীল্ড মনিপুরগী প্রসিদেন্ট-খোগেন্দ্র খোমদ্রাম, বাবিনা হেলথ কিয়ার এন্দ হোস্পিতালিতি ইন্দষ্ট্রিজ প্রাইবেট লিমিটেদকী মেনেজিং দাইরেক্তর-

ডা: থাংজম ডল্লি, রাজ্য অসিদা লৈরিবা প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াগী এদিটরশিং অমদি পাউমীশিং শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মনুং চন্না ই-পাউগী লমদা থবক তৌরম্বা য়ুনিয়নগী লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদসু লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**ডে (এল)ঃ** অরুনা একাডমী ওফ ক্রিয়েটিব আর্টসকী ৩৩ শুবা কুমওন থৌরম, ইম্ফালদা লৈবা একাডমী অসিদা পাঙথোকখ্রে।

কুমওন থৌরম অসিগা মরী লৈননা একাডমী অসিদা নুমিৎ হুমনি চুপা পাঙথোক্কদবা একাডমী অসিগী ইগজিবিসন অমসু হৌদোকখ্রে।

**এনপিপি (এল)ঃ** মনিপুরগী হান্নগী আউটর লোক সভা এম.পি. ডা: লোরহো এস. ফোরজে, নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন.পি.এফ) তগী তোক্লগা নেসনেল পিপলস পার্টি (এন.পি.পি) দা য়াওখ্রে।

মহাকা এন.পি.পিদা য়াওরকপদা দলগী নেসনেল প্রসিদেন্ট-কোনরাদ কে. সংমানা অয়াবা পীখ্রে। ডা: ফোরজেবু এন.পি.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট-কোনরাদ কে. সংমানা শিল্লোংদা তরামা ওকখি।

**নোনে (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সেন্টর-নোনেনা শিনদুনা ৱার্ল্ড সুইসাইদ প্রিভেন্সন ডে ২০২৫ গী থৌরম, নোনে জিলাগী মনুং চন্না লোংমাইদা লৈবা টেন মেকরস একাডমীদা পাঙথোকখ্রে।

‘চেঞ্জিং দা নেরেটিব ওন সুইসাইদ’ হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জিলা অসিগী সি.এম.ও. ডা: অজিন মরিংমৈ শরুক য়াখি।

**জিএসটিঃ** লৈবাক অসিদা গুদস এন্দ সাভির্সেস টেক্স (জি.এস.টি) গী নৌনা শেমদোক্লবা চৎন-কাঙলোনশিং অসিনা মীয়ামদা চাউনা কান্নবা পীরগনি।

থা অসিগী ২২ দগী চৎনবা হৌগদৌরিবা অনৌবা চৎন-কাঙলোনশিং অসিনা লৌউ শিংউগী সেক্তরদা কান্নবা কয়া পীরগনি। লৌউ শিংউদা মরুওইনা শিজিন্নরিবা তেক্তরগী মমলদা হান্না চাদা ১২ টেক্স লৌরম্বা অদু চাদা ৫ দা হন্থরগনি। মসিদা নত্তনা তেক্তরগী পার্টশিংদসু হান্না চাদা ১২ লৌরম্বা অদু চাদা ৫ দা হন্থরগনি। মসিগা লোয়ননা তিলহাৎ হিদাক, মাইক্রো ন্যুত্রেন অমদি ইথৈ লৌখোংদা শিজিন্নবা মচাক মথুমশিংদা হান্না চাদা ১২ লৌরম্বা অদু চাদা ৫ দা হন্থরগনি।

কেন্দ্র সরকারনা লৌখৎলিবা থৌরাং অসিনা মনিপুরগী মরুওইনা লৌমীশিং অমদি মীচম মীয়ামদা কান্নবা পীরগনি। হীরম অসিগী মতাংদা ইম্ফাল ইষ্টকী লমলাইদগী ঙাঙোম প্রতাব সিংহ কৌবা লৌমী অমনা অসুমা ফোংদোক্লি।

**আর্মি(এল)ঃ** ভারত লান্মীনা বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবীদগী নহা মরি বেঙ্গলুরুগী মমিং লৈরবা কম্পানি ‘নিসিয়স’ তা থবক পীদুনা নহাশিংগী আশা অমা পীবা ঙমখ্রে।

ভারত লান্মীগী মখাদা জম্মু কাশ্মির লাইট ইনফেন্টরিগী অনিশুবা বটালিয়ননা শিনদনা নহাশিং অদু কম্পানি অসিদা থবক ফংহনখিবনি। থবক অসি পাঙথোকবগীদমক ত্রোংলাউবীদা লৈবা থবক্তগী পোত্থরবা লেফটনেন্ট কর্নেল-কে.এন.সিংহগী মতেং লৌখি। লোয়ননা নহা কয়াগা উন্নবগী থৌরম পাঙথোকখি। মনিপুরগী নহাশিংদা হেন্না থবক পীনবগী পান্দমদা নিসিয়স কম্পানিনা নহা ৩০-৪০ থবক পীনবা খন্নগনি হায়না থাজবা পীখি।

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ঙসি রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী এন্টি-নার্কোটিক্স টাক্স ফোর্স (এ.এন.টি.এফ) কী মকোকশিংগী অনিশুবা মীফম ন্যু দিল্লিদা ঙসি হৌদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী রাজ্যশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী

এ.এন.টি.এফকী মকোক ৩৬, লম অসিদা থবক তৌরিবশিং অমদি তোঙান তোঙানবা সরকারগী দিপার্টমেন্টশিংগী মীওইশিং থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী নিশা অমত্তা শিজিন্নদবা ভারত অমা ওইহনবা হায়বা ৱাখল্লোন অদু হেন্না মপুং ফাহন্নবা নুমিৎ নিনিগী মীফম অসি পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়-ভারতপু নিশা শিজিন্নদবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগীদমক দ্রগ ফ্রি ইন্দিয়া কেম্পেইন লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলা ৩৭২ দা চথরি। কেম্পেইন অসিদা মহৈ তম্ফমশঙশিংগী মীওই কোতি ১০ লাখ ৩ রোমনা শরুক য়ারি। ভারতপু নিশা শিজিন্নদবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা চথরিবা কেম্পেইন অসিদা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারশিংগী বিভাগ খুদিংমক্কী কর্ম্মচারিশিং অমদি মীয়ামনা শরুক য়ারবতদা নীংথিনা মায় পাকপা ঙমগনি।

**মাওরিসিয়সঃ** মাওরিসিয়সকী প্রধান মন্ত্রি ডা.নবিনচন্দ্র রামগুলমনা ঙসি রাস্ত্রপদি-দ্রৌপদি মুরমুগা রাজ ভবনদা ঙসি উন্নখ্রে।

মাওরিসিয়সকী প্রধান মন্ত্রি অমদি মহাক্কা লোয়ন রকপা মীওইশিংবু তরামা ওক্লদুনা রাস্ত্রপতিনা হায়-ভারতকী য়ুমলোন্নবগা লৈনবা মরীগী থৌশিল, মহাসাগর ভিজনদা মাওরিসিয়সনা অখন্নবা মফম অমা কন্দুনা লৈরি।

রাস্ত্রপতিনা হায়-লৈবাক অনি অসিগী মরী অমসুং তেংবাং পীনবা কয়া অসিনা লম কয়াদা চাউখৎহনবা ঙম্লগনি। মাওরিসিয়সকী চাউখৎ থোৌরাংগী থবক কয়াদা লৈবাক অসিনা অখন্নবা শেলগী তেংবাং পীরিবা অসিনা লৈবাক অদুগী মীয়াম অমদি লৈবাক অদুবু চাউখৎহনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি হায়বগী থাজবা রাস্ত্রপতিনা ফোংদোকখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর মিণি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা অহানবা য়ুমাম মনাও মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা

রাইজিং ক্লব অমদি লিটল ফ্লৱার ক্লব পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা লোক্তাক এফ.সিনা আর.এফ.সি.সি. কৈনৌবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা অহানবা য়ুমাম মনাউ মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ঙসিদগী দি.এস.এ বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা হৌখ্রে।

অহৌবা মেটচতা টি.ৱাই.দি.এ-এফ.সি তৌবুলনা বি.এফ.এ নাচৌবু পাঞ্জল ১০-১ দা থোইখি।

**স্কেসঃ** চাইনাদা পাঙথোক্লিবা ৱার্ল্ড স্পিদ স্কেটিং চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা ভারতকী শান্নরোই অনি সনাগী তকমান লৌরে।

জনিয়ার কেটেগোরিদা মিটর লিশিং অমা গী স্প্রিন্টতা-ক্রিস শর্ম্মা অমদি সেনিয়ার কেটেগোরিদা মিটর লিশিং অমগী স্প্রিন্টতা সনাগী তকমান ফংখিবনি।

সনাগী তকমান ফংলকপদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, মনশুখ মন্দাভিয়া অমদি অতৈ লুচিংবা কয়ানা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।